## ৱারী মচা

# নক্লনিংদবদো পামুইদা

*আই এস থৌনা*

চীংজিন লৌকারকপগী লম্বী ৱারীসি ঙসিদি নহানখৈগা মান্নদে। পুন্সিগী অৱা-নুঙাইগী, কুম ফ - ফত্তগী, পোইনুদা মঙফাওনহনগে খন্নজবা মঙলান কয়া ঙাক্তুনা অতৈ নুমিৎশিংগী লৌকুম-লৌকা অমদি লৌরাং শুফমগী ৱারী ওইনবনি। ঙসিদি ওইদ্রে। লোয়ালম খুন্থক্তা ঙরাংতা থোকখিবা লাইবক থীরবা থৌদোক অমগী ৱারীনা খুন্থক-খুন্নৌ খুঞ্জা পুন্নমক্কী ৱারী ওইরে।

ঙরাং খুন্থক্কী ইপন চাওবহোইদা মখোয় শকখঙদবা নহারোল খরা লেক-চাদুনা লৈরে হায়বগী সিফাই লাক্তুনা নোংমৈ কাপ্লখিবদা নহারোলশিংদুদি নাথৈদুনা চেনখ্রগা, ইপন চাওবগী মমৌ অনৌবীদু নোংমৈনা পান্দুনা ইম্ফালগী হোস্পিটালদা পুখৎখ্রে। ইংখোন্নুংগী নুপা মখৈসু, অহল ওইরবা ইপনফাওবা খাক্তুনা শাথীনসু ফুবিরম্লমাল্লে, লাইকন্নবা য়াওরি।

ৱারীশিংদো, তরক-তরক পোকচবা মচা নুপাগা নুপীগা ইম্ফাল মনেগীদা লৈদুনা কলেজ তমখিমদৈ তরক-তরক লৈজরিবা থোইবা-লৈমা মতৈ -মনাও অনিগী চাকশঙদসু মখা শমথরি। মখোয় অনী লৌ কুম্মিন্নরুরগা কামিন্নরক্তুনা য়ুমগী ষণ-লোক্কী সেবা লোইরগা ইরু-মায়থনরবনি। লৈমনা চাকখুম চংদুনা চরা লাংলি। ওলাংথাগী মৈশানা মৈচাক থোকহন্দ্রবা ফুঙ্গা মনাক্তুনা থোইবা ফম্লি। নুমিৎ চুপ্পদা ৱারকখিবশিংদুবু বেরিগী মৈখু ওইনা পাইথোকহল্লি।

- "ঐবু তোম্বীহোইদা ঙাইহাক্তুং চৎথোক্লুসিরা... হয়েংগী খুলংদুবু শোয়নদ্রবজাৎলা?"

- "চৎথোকপীখ্রনু ঙসাই লৌকারকপদা শোয়দ্রে হায়রম্লবনি, নুমিদাং ইথন্তা চিক্লা লৈবদো তঞ্জখ্রে, খা-ৱাংগী ইচাশিং লাইরিক ঔরাইবকা লাকচরম্বদুসু লৌবুক্তুদা লৈনরবনিনা অমত্তা লাক্লদ্রে।"

- "ফরে চৎথোক্লরোইগে, অতৈ লাইরি শোয়দ্রে হায়রবদি, নখোয়না অদুম হোৎনহৌবা য়াররনি, ঐসু অয়ুক ঙাইহাক চৎলমগে অদুগা ইম্ফাল কাথোকহৌরুরগে, ইবুঙোগা ইবেম্মগসু য়ারদি চীংজিন মনুংসিদি য়ুমদা লৈরবা য়াবরা য়েংলক্কে?"

- "হায়বীরুনুদা লাইরিক তম্বসু হৌখিদং মঙাইরি, শ্বায়দা লৈরগা শকখঙদবা নহারোলশিংগা তিন্ন-তোৎনরদৈ শরুক মনেগীদা নুঙাইনা অদুম মরৈজনি।"

- "হোইনে মদুসু চুম্মিনে..."

- "কৈনো ঐখোয় শ্বায়সে কৈনোম তৌখ্রে পাখং লৈশাবীবু লৈবা য়ুমদুদি কাইদৈনো নহারোল হায়দো হেক্তা মরৈররে, খুন্থক্তা থোক্লিবা থৌদোকসে ঐখোয় শ্বায়দসু হৌজিকমক থোক্লোয় হায়নিঙাই লৈত্রবনি।"

- "খঙদ্রেদা মতমসে, করিদি উপাই লৈ, ঐখোয় ঐখোয়গীদা থোকপীরদনবা লাই খুরুমজবা নত্তনা?"

- "অস! ইচে থবাহোইদা নহারোলনি হায়দনা হেক-হেক লাক্লরিবা কাংবুসিদি নুংশি-নুংশিরবকাসু য়াওরিয়ে মচিন - মখাকানা ফজরিবা, অদুবু ঐদি মখোয়সে কীজখ্রে।"

- "মফম মরাং খঙপোৎতেদা, অফবা লাক্লগনা ফৈ হেক মহায়বা, ফত্তবা জাৎ থীবা করিএসে লাইশ্রম খুনগী চাওভলহোইদগী সনা-লুপা হুরানবীখিবতা নত্তনা মচা-মমৌদসু নম-হারম্মী হায়দুগুম্বা হেক থেংনরগনা খিবা.. কান্নদে মসিগুম্বসিদী ঐখোয়দদগী থোকপীরক্কনু হায়দুনা লাইত খুরুম্মু মদুনা মফরে।"

- "মদুদা হেক তাই... হয়েং অয়ুক ঙন্তা হেক চৎথোকপীরুবনা ফত্ত্রা লৌ অমুক কুম্লুদ্রবসু?"

- "কায়দৈ লৌরিয়া কাচিন য়ালহৌদবশিংদু য়ালহৌগেরো-খরা থেংলপ চৎকে, নঙগী হৈথা-পোৎথাগী তঞ্জাদুদুম হৌজিক হৌদোক্লম্লো অয়ুক্তু খরা চারগা চৎকে নখোয় কুম্লক্ত্রিফাও লৈরম্লনবা।"

- "অদুবুদি হৌজিক হৌদোক্লম্লগে খল্লম্লিবনিদা, চাক হান্না চাথোকপীরো- লোইরে থিরগে খূৎ-শা হামদোকপীরক্লো।"

মরক্তুদা মাঙ্গোল থোঙজাওরোমদা কোক-কোক থিল্লকপগা লোয়ননা শকখঙদবা খোঞ্জেল অমা তারকই

- "পাবুং থোইবহোই ইমাহোই লৈবীদবরা- থোঙ অমুক্তা হাঙদোকপীয়ো...?"

খোঞ্জেলদুদা ঙক্লবা থোইবা লৈমা অনি মীৎচান্নে। অদুবু খুম্মী- "কনানো করি হায়গে?"

- "ঐখোয়নি পাবুং ইম্ফালদৈনি, পাবুংহোই কুমারগা কোলেজ তম্মীন্নজবা মমান্নবনি থোঙ অমুক্তা হাঙদোকপীয়ো...?"

মচাগী মমান্নবনি হায়রকপদুদা থোইবা লৈমা অনিমক তুচুংই, করি ফত্ত-নুংদা থোক্লবনো ইপা-পাখৎনা থোঙজাওরোমদা খূৎলৈ য়াংনা থোক্তুনা পৌরোল শৎলুই। চাক থিগে থৌরাংলম্বী লৈমসু লাক্তুনা মপুরোইবগী তুংদা লেপ্লে। মাঙ্গোল থোঙজিন ময়াদা শকখঙদবা পাখং মচা অনী লেপ্লম্মী।

- "ইবুঙো ঐখোয় কুমার কৈদৌরবা!"

- "কৈসু তৌদে ইমা, মাগা কোলেজদা তম্মিন্নে হায়জবনি, ইমাখোয়গী এড্রেসসিসু মরুপ্পা পিরকপনি, নচা ঐখোয় ইমুংদা চংজরক্কে করিমত্তা চিংনবীগনু... করিগুম্বা খরদং হায়জগে।"

- "য়ানি চংলকউ ইবুঙো, হৌজিক্তা নমাগা চাক চাগদবগী তৌরম্লিবনি চাকশঙলোমদা হেক্তা চংলসি।"

তুংথ-মাঙথা চাকশঙ তন্না চংলক্তুনা মখোয়বুসু ফুঙ্গা মনাক্তা ফমহল্লি।

- পাবুং ঐখোয় লৈবাক্কী য়ান্না মরুওইবা থবক অমগীদমক চীংলোন লান্না চৎচগদৌরিবনি, অহিংসিমতং পাবুংখোয়গীসিদা লেকচখিগে, নোং ঙান্দ্রিঙৈদা অমুক চৎচখিগদবনি।"

- "হোইদা - হোইদা অদুবুদি, ফম্মুং অহাংবসু লৈ কায়দেদা, অদু নখোয়বু চাক ঈশিংকাদি চারক্ত্রিবা নক্ত্রাও?"

- "চাজদ্রি পাবুং, ইমানা পিজবীরবদি খরা চাজগে?"

- "ইচাশিংবু করিগী পিজদনি, ইমানা হান্না থোংলবসিনা ইচা অনীনা হান্না চারো অদুগা পোৎথারো নখোয় ৱাররিগনি, ইমাহোয়গী অমুক লাংগে, ইচাহোয়না হয়েং লম্বীদা চাজনবা ইমা তঞ্জাসু হৌবীগে..."

নোংঙাল্লমদায়দা, শকখঙদবা পাখং অনীদুনা - 'ইমা-পাবুং নচাশিং চৎচরগে' হায়রকখিবা মতমদুদসু লৈমগা থোইবগদি তুমথদ্রি। তুমথৌ শুকয়া য়াখিদবনি। শকখঙদবা অনীদুনা চৎলগে হায়রকপদো হেক তাবদা, অহিং মীৎশেং খাংলক্লবা মশা অনীদো খংমুন মুন্থরকপগুম তৌই। অদুবু মখোয় অনীমক হৌগত্তুনা থোঙ হাঙদোকপীরুই- "মঙ্গল ওইয়ুকো ইচাশা" হায়দুনা মখোয়বু নোংঙাল্লমদায়গী অমম্বা মরক্তুদা বিদায় পিখি।

- "করিনো মখোয় মতৈ মনাউসিবো, নুমিৎনা আ-ৱাতোন কারফাওবা হৌগৎনদ্রিবসিবো হায় লৈমা-লৈমা তারবরা কৈদৌরগেনে নখোয়বো?" মাঙ্গোল্লোমদগী থোঙ থিন্দুনা থংনবা ইংখোলগী মচেনা লাওরকপদংদা লৈমা মীৎকপ থোকই। - "তারে তারে ইচে" হায়দুনা হৌগৎলগা থোঙ হাঙদোক্লুই। থোইবসু হৌগৎলকই।

- "হৌজিকফাও থোঙ হাংলমদবসিদা ঐদি করি-করি পংখন হেক খল্লুরেদা... ঙসিবু লৌ কুম্বা য়ারোইদৌরিমাল্লেনে, ঙসাই নোঙাল্লকপগীদুদা সিফাইগা কাপ্নবদনি হায়বরা করিনো মনিং চীঙ্গোল লম্বীদা নহা অনী শিহৌরেয়ে, ওন্থোকপনি হৌজিক কানগী নহারোলশিংসিনা তৌরিসে, নুংশিসি কদায় নুংশিরোইসি কদায় অমদি কনানা পিরকপনো তঞ্জা ময়োম অমকাসু কোঞ্জরম্মী হায়নে, হৌজিকপু সিফাই লাক্তুনা মাই ওপরেসনকাইদু তৌরবা য়াই নুপীমখৈ হান্না পুলহৌরসি লৌবুক্কা কুন্নরনু হায়রিনে।"

ৱাদু তাবদা লৈমা -থোইবা অনিমক তু-চুংই, কপ্লাক নিকই, মীৎকুপ্তুদা মখোয় অনীগী থমোয়না হংনৈ- "মখোয়না মফমসিদা অশুম লৈরম্লবদি!"

## শৈরেং

### নিঙাই

*- আই.সি.অসেম*

কৈথেল মচি লানশিনবগা
নঙ্গলগী নাহোং মনুংদা
ফদ্রং-ফদ্রং চোংলি,
য়াঙ্গঙলবী মমাগী
মচোয়রবা শম্লাং ফোইদত্তুনা
"ইমা নোংমৈ লৈবীয়ু",
ফুম্বংনরকই মনি মতুমগী নিঙাইদুদা।।

### মরুপ

*- রোবিচন্দ্র ৱাথেম*

ঐগী লোয়নরিঙৈ
থাগৎপিরম্বদো ঐবু
মাগা লোয়নখিঙৈ
থাগৎপিরিবদো মাবু
ঐঙোন্দদি কায়দে
করিনা নঙ ঐগী মরুপনি।

### খংহৌদবগী হংবনি অচুম্বদি খুন্থীয়ু

*- কে হরিদাস মৈতৈ*

নাগাগী করম্বা নিংথৌ পাল্লম্বগে
পাল্লম্লবদি করি মমিং কৌবগে
মহাক্কী চাদ নাওদাশিং লৈহৌদবরা?
করম্বা জাতীবু নাগা কৌবগে
নাগা জাতী কয়ানা পুনশিন্বনো
নাগাগী লোল কনানা হৌদোকপগে?
নাগাগী অশেংবা কলচর করিনো
নাগাগী অশেংবা ময়েক লৈতবরা
খৃষ্টান লাইনিং নাগাশিং চৎলিবসি
অচুম্বা ইশাগী লাইনিং লৈতবদগীরা?
নাগাগী হিষ্ট্রি কনানা ইরম্বগে
করম্বা লোলনা নাগাশিংনা ঙাংবগে
নাগা ফুরুপ কয়ানা শাবগে?
করম্বা জাগাশিংবু নাগাগিনি খংনবগে
নাগাগী নিংথৌ কয়া শুখিবগে
কনাগীদমক তাল্লিবনো ডিমান্দ ময়ামসিবু?

### ঈশ্বর

*- প্রেমা হাওবীজম*

বিজ্ঞান্না মীৎ পাংহল্লবা পুন্সিনা
নঙবু কাউথোক্লুবনি
লৈরোল চনশিন্দুনা ৱাখলদা,
থৱায়বু নুংশিরক্লবা মীৎকুপসিদদি
পুন্সিবু পাম্মুজরবা মতমসিদদি
লৈহন্নিংলে নঙবু তশেংনমক।

### নিং-তম্বা

*- য়ুম্নাম সুধির*

কয়াদা ৱাজরম্বা নিং-তম্বগীদমক
ঙসিনা কয়াদা মনিং - তমজরবা
অফা অপূন্নবা য়াওদনা
মীরেনশঙগী কাখুসিদা।।

### ঙাইখো

*- এল. রবিকান্ত*

পাঙলকখিনু শক্তি য়াওদবা
হে থৌরবা মীৎ,
খন্নবতা মঙায়রি
লেপ্পাইররোইদৌবা
অরাংবা মচুগী আইন।
নঙনা হেক পাঙলকপদা
চুখৎপা হৌরবনি
সংস্কারগী মৈ।।

### ৱাখল

*- সুনিতা সোইবম*

তাইবং ফাওদ্রিঙৈ শিয়োন্নুংদগী
খঞ্জখি উনিংখ্রেদা তাইবংপাল
খল্লক্লে ঙসিদি করিনুংগী
লাক্লিবা মীহাৎপুংগী তাইবংদা
মাংজরম্বনা ফৈ শিয়োন্নুংদা
পোকচরক্ল বা মথং মপোক
হিংচা য়াইতম্বা ওইনা
হিংজনবা মীহাৎপুংসিদা নিংতম্না।।

### লংদায়

*- আই.সি.অসেম*

অঙাং ওইরিঙৈ তাখি
মায়থোঙ মকা লান্না
ইবেনপোক্কী ফুঙ্গা ৱারী।
ঙসি, ফমথাদ্রবী ইবেনপোক্লা
তারি মায়থোঙ মকশিন্না
ঐনা লিবীবা মতমসিগী
লোইনায়দ্রবা অকী ৱারীশিং।।

### নিঙমদবা

*- এল. ইবোমচা মীতৈ*

পিক্লবা কোক মচাসিদা
থোঙ্গৎলুবা দলানগী মথোলশিংসে
কিন্থরক্কনি খঙজরম্লবা
ঐ অশুন্না শুম
ৱারমদবা য়াই পোলোইসিদা।।

### করম্না খাংগনি

*- কান্তা মৈরালাকপম*

মীনা মীওইবাগী
ধর্ম্ম অসুক য়াওদবা
মীনুংশি লৈতবা
করম্না খাংগনি।
পোকঙমদনা পোকপা
তাইবং মপোকশিদা
নুংঙাইনা হিংকবা ফংদবা
করম্বা মীনো?
মী ওইনা পোক্লবদি
মীনুংশি লৈবা তম্মু
হিংবগী মহাও য়াওহন্দবা
করি ধর্ম্মনো?
মী কনানসু
খাংবা ঙম্লোইদবা
লায়না ঙাক্তা
মশিবু করম্বা শাজৎনো?

## তাবুনুংদগী

*(কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী ১৯৭৪ দা ফোঙখিবা শৈরেংগী লাইরিক "মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাৎলে" দা য়াওবা " কোনুং কাং তুবদা" য়ান্না মমিংচৎপা কবিগী শৈরেংনি। ঙসিগী ওইনা শৈরেং অসি তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।)*

### কোনুং কাং তুবদা

ঐনা চিংনবা মীকুপ অমত্তনি
মৈতৈ অমা লাকই
থাঙ পায়দুনা লাকই
চিংনবা লৈতনা চঙখি
থাঙনা য়াল্লে গোবিন্দগী সিংহাসন্দা!
লৈবাকমচাশা! লৈবাকমচাশা!
হো লৈবাকমচাশা!
নুপী অমনা কপই মরোন্দি থোক্তে
অহল অমনা হায়জৈ কনাসু তাদে
লোইনমক হায় ঐদি খঙদে ঐদি খঙদে
খঙদে কনাসু খঙদে
উরবসু উদে
য়েংউ অহাঙবদা তিনখরে জগৎকী মপু।
থাপ্পা লৈ বিষ্ণুগী অবতার
গনতন্ত্রগী গনদেবতাসু মরোল থোক্তবগুম তুমিন্না।

***লাইশ্রম সমরেন্দ্র***

## মণিপুরী পাৎথৈ -পাউরৌ, পাউতাক

**৩৬৪ অয়ুক চারগা নুমিদাং হেনবা**
–চরা নামতা চাবা, য়ান্না লাইরবা।

**৩৬৫ অরংবা পূন্নমক সনা নত্তে।**
– মপান্থোংগী ওইবা ফজবা পূন্নমক (অরং অরাক ) চৎনবা য়াবা নত্তে।

**৩৬৬ অরানববু লোৎপা য়াবরা।**
–অরানবা থবক্তি কুইনা ফুমদুনা থম্বা য়াদে।

**৩৬৭ অরানবা অমা কুপশিন্নবা হোৎনবদা অচুম্বা মাঙবা**
– ফগদ্রা খল্লুবা ফৎলক্তবা।

**৩৬৮ অরানবা অমা চুন্নবা হোৎনবদা অচুম্বা তরা মাঙবনি।**
–ফগদ্রা খন্দুনা তৌরুবা থবক হেন্নদুম ফত্তবা ওইবা।

**৩৬৯ অরাংফম য়াওদনা থবক মচু তাদে।**
– শেম্বী শাবিনবা য়াওদবা থবক মওং তাদবা (মচু তাদবা)।

**৩৭০ অরিবদি সনানি।**
– কুইর-কুইরগা মমল য়ামখৎলকপা।

**খোমজিনবা**
**ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

## লাইরিক্কা উন্নবা

**লাইরিক্কী মমিং ঃ ডাক্তর কমলঃ পুন্সি অমসুং মঙলান**
**অইবাঃ লাইরেল্লাকপম সরত**
**অফোঙবাঃ মণিপুর এসোসিএসন ফোর সাইন্স এণ্ড সোসাইটি**
**মমলঃ লুপা ২০০/-**

লাইরেল্লাকপম সরতনা ইবা 'ডাক্তর কমলঃ পুন্সি অমসুং মঙলান' হায়বা নৈনবা ৱারেং লাইরিকসি খৃষ্টকী কুম ২০১৪ দা অহানবা ওইনা ফোঙবনি। মণিপুরী সাহিত্যদা কবি রত্ন ডাক্তর কমলগী মরমদা ইবা লাইরিকসি মশীং ফনা য়াম্মী। অদুবু লাইরেল্লাকপম সরতকী লাইরিকসিদি থোইদোক্লা মপূং ফাবা লাইরিক অমনি। নৈনবা ৱারেংগী লাইরিকসি পারকপদা য়ান্না সেরিস ওইনা রিসার্ছ তৌরকখিবগী মমি তারি। নৈনরোয়না মমাঙদা য়ান্নদুনা লাক্লবা ৱাফম কয়া কক্তুনা অনৌবা ইনফোর্মেসন পীনবা হোৎনরি। লামায় ১০৮ পানবা লাইরিকসিদা নৈনবা ৱারেং ২০ য়াওরি। লাইরিকসিদা মরুওইনা ডাক্তর কমলগী পুন্সিগী মরমদা নৈনরি। মসিদা ডাক্তর কমলগী হৌফম-শাৎফম ওইরিবা কাঞ্চীপুরগী মরমদা শন্দোক্লা তাক্লি। কমলনা মণিপুরগী জোনষ্টোন স্কুলদা ক্লাস নাইন ফাওবা তম্লম্বগা শিলংদা ক্লাস টেন তম্ননবা চহী অমা লৈখিবা, মদুগী মতুংদা ডিব্রুগরদা মেডিকেল তম্ননবা চহী মঙা লৈখিবা অসিনচিংবগী মরমদা কূপ্পা নৈনরি। অইবনা নুংশিজখিবী সোরাম নিঙোল বিধুগা কায়নখিবগী নীংবা কায়বা উৎলি। মসিগী মতুংদা নৈনরোয়না কমলগী মীৎয়েংদা উরিবা কাঞ্চীপুর, অনৌবা শিক্ষাগী মহাও ফংলকপা, সাহিত্যদা কমলগী মীৎয়েং অমদি অনৌবা মণিপুরী সহিত্যদা কমলনা লৌরিবা থৌদাংগী মরমদা কুপ্না নৈনরি।

মসিগী মথক্তা সহিত্যগী লমদা মহাক্লা তম্লমবা খুদোলশিং হায়বদি 'লৈপরেং', 'মাধবী', 'দেবযানী' হায়রিবা লাইরিক অহুম অসিগী মরম য়ান্না কুপথনা নৈনরি। 'মাধবী' উপন্যাস ইখিবগী লংলা-লংজিন অমদি উপন্যাসকী পাউজেলনচিংবসু উৎনবা হোৎনরি। 'দেবযানী' দা মানা উৎলিবা পতিবাদ, সমাজগী মমি, মঙলান অমদি পাউজেল অসিনচিংবা কয়াসু উৎলি। শৈরেংগী লাইরিক 'লৈপরেং' দা ডাক্তর কমলগী মীৎয়েং, সাহিত্যদা মহাক্লা য়েংলিবা মীৎয়েং, মহাক্লা প্রকৃতিদা য়েংবা মীৎয়েংনচিংবসু উৎলি। নৈনরোয়না কমলগী হ্যুমেনিজমগী মঙলান, সোসিএল রিফোমেসনগী মঙলান, সোসিএল ইন্টিগ্রেসনগী মঙলান অসিনচিংবসু উৎলি। লাইরিকসিগী মরমদা নৈনরোয়না ইরি- "লমদমসিদা পোকখিবা মীয়ান্না শকখঙলবা মীওই অমগী মরমদা খোঙ্গুল লীরুবদা থোইদোক্লা মীওইদুগা থেংনহৌবা শামান-লেংমান্নবা কয়াদগী অমসুং থৌদোক ৱাথোক খরদা য়ুম্ফম ওইরগা ৱারীগী পরীং অমদি শেমজরি। অদুবু মসিমক্লা অরোইবনি হায়বা লৈতে, অৱাৎপা কয়ামসু লৈরম্বা য়ারি। খঙনিংবনা ৱাখল লীশাং থারুবদগী পূন্নমকসি ওইরকখিবনি।" লাইরিকসিদা অইবগী নৈনবগী কূপশিনবা মীৎয়েং অসিদি থিজিন - হুমজিনবদা মপূক্লিং চঙবগী মশক অমা উবা ফংই। কা মনুংদা ফম্লগা নৈনবগী মহুৎ লৈনরোই ডাক্তর কমলনা লাইরিক তম্লম্বা শিলোং, ডিব্রুগর, অমদি মহাক্লা ডাক্তর ওইনা থবক তৌরম্বা তমেংলোংনচিংবা মফমশিংদা চত্তুনা থিজিন-হুমজিনবা, ডাক্তর কমলগা থেংনহৌবা মীশক-মীওইশিংগা উন্নদুনা ৱারী-ৱাতাই শান্নরুবা অমদি মরী লৈনবা চে-চাং খোমজিল্লিবসি অতাংবনি।

**আর জে মীতৈ**

### কংলৈ লৈকোল

*- শ্বার্নলতা য়াম্বেম*

য়েংউনে ইতারোই চান্নবী
নং - ঐগী লৈশাৎ লৈচুশে,
লৈহাউ- লৈরেন পাংখক ওই
লৈহিনা লৈরিক লুক্লিবা
লৈনম্না মায়কৈ শাল্লিবা,
অদুবুনে!
খোয়নৌ ইতা চান্নবী
মাঞ্জ খ্বাঙজেং মহাক্তি
াম্বল তিংখং শাথেংনা
ঈমু লৈমদা তুনা তা
লৈরাং মাঙদা থারবোই
শিঙেল নৈনা চোইজাইনদ্রিঙে।।

### কবিতা

*-লাইশ্রম রোনিবলা*

তাহৈদ্রবা ৱারী
য়েংহৈদ্রবা কুমহৈ,
তায়োন্নরবা থৌদোকশিংদা
ৱাকৎচবনি
তেংথাজবনি
পেঞ্জদ্রবী থমোয়সিনা,
ওইরম্বা তাই মসিমসু
ঙসিগী ঈশিং নুংশিৎসিদা
মচাক অমা
অনৌবা 'কবিতা' অমগী।।